দোরেন আগ্রাদা লৈরম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উশোইপোকপী অমদি পোৎশংবমগী মরক্তগী মশক খঙদবা মীওই খরনা ফাখ্রে হায়নখিবা খুন্দোংবম দোরেন (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ য়াইস্কুল বিষ্ণুপুর পুলিসনা য়ু পিগী আগ্রাদগী ফংলে হায়না বিষ্ণুপুরগী এস পি হোপসন সাপম্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

খুন্দোংবম দোরেন অতোপ্পা মীওইনা ফাখিবা নত্তে। মহাক মশা মথন্তা ময়ূম থাদোক্তুনা চেঙ্খিবনি হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জে এ সী এগেনষ্ট দি অননোন মিশিং/কিদনেপিং ওফ কে ঐচ দোরেনগী সেক্রেটরিনসু দোরেনবু তেক্তা কায়দনা বিষ্ণুপুর পুলিসনা থিদুনা ফংহনবগীদমক বিষ্ণুপুর পুলিসপু থাগৎপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

‘হাওসি শান্নবীগনু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মেলা তৌবগী মীংদা মখল কয়াগী গেমব্লিং শান্নরিবা অমদি মতম শাংনা হাওসি পরম চুমদনা শান্নবশিংগী মরমদা ঈপাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। অদুবু মীওই খরনা মরন্নাইগী ওইবা মওংদা হাওসি শান্নবা থেংনরে। মসি তৌবীরোইদবনি হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈ-পাক (ঈপাক) না ফোঙদোরক্লি।

মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দগী মহৈরোয়শিংগী এগজামগী য়েংবীদুনা হাওসি শান্নদনবা ৱাফমসু ঈপাক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে ভাস্কর মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৩ বেটচ কন্সটেবল লৌবগী রিজল্ট থা অসিগী ২২দা লাউথোকখিবা অদুবু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। তৌবতবু রিজল্ট লাউথোকপদা অপূনবা সিট ২০০০গী মনুংদা মাইনোরিটি মুসলিমগী চাদা ৪ ফাওবা য়ৌদনা লাউথোকখিবা অসিবুদি মুসলিম কাউন্সিল মণিপুরনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

মুসলিম কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হাজি অরাফট আলিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কেনিদদেট লিশীং ২ হায়দোরকপদা শুপ্নগী মীতৈ পাঙল ৭৭ খক য়াওরকপা অমদি ৱেটিং লিষ্টতনা ৬ খক য়াওরিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

গাফর মীহাৎ সী পি আই অমসুং এ এম পি এস য়ু এমনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি অসাম রাইফলসনা ফারবা মতুংদা শিখিবা ওটো রিক্সো থৌরগা ইমুং পুরিবা শিন্মী এম দি অবদুল গাফরগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মণিপুরগী মসজিদ খুদিংমক্তা দিসেম্বর ২৮দা দুৱা তৌবীয়ু হায়না ওল মৈতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) না ফোঙদোরক্লি।

এ এম পি এস য়ু এমগী জেনরেল সেক্রেটরি জায়িদ খাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওইবা অমগী পুন্সিবু মমল লৈতনা লৌবা থৌওং অসি য়ানীংদে। মরম অদুনা মীতৈ পাঙলশিংগী অপূনবা থৌনা শাগৎনবা অমদি লৈখিদ্রবা অসিগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা দুৱাগী থৌরম অসি পাঙথোক্লুবা পাউজেল পীজবনি।

মীশিং য়ামজদবা অপিকপা ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ পাঙলবু শেন্থোক লৈজদবা অমদি খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোন্দসু শোথবা মরম্না মতম চূপ্পদা হন্থনা য়েংবীদুনা লাক্লি। ফুরুপ অসিগী মীওই অমবু হাৎলবা মতুংদা মরাল অমা হেক্তা পীশিনবা য়ানীংদে। মরম অদুনা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা মীতৈ পাঙলশিং অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী গাইদ লাইন মতুং ইন্না ফাবা মতমদা এরেষ্ট মেমো পীগদবনি হায়বা লৈরবসু এরেষ্ট মেমো পীরমদনা ফাদুনা পুখিবনি। মহাক ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাং ওইনা জেনিমসকী মোর্গতা থম্লম্বা অসি মীতৈ পাঙলশিংনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা মসজিদতা মহাক্কী মীংদা দুৱা তৌবীয়ু। মপূগী মফমদা দুৱা তৌগদৌরিবা অসিনা মীতৈ পাঙলশিংগী অপূনবা লিচিং অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি অমদি মতুংদা থোরক্কদবা থৌদোক কয়াদগী কনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এন সোটিনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনসু লিলোং উশোইপোকপী থরাওরোক লমখাই মচিন্দা লৈবা অবদুল গাফর অপোকপা বাবুবু থা অসিগী ২০গী অহিংদা থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাসফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা ফাখ্রবা মতুংদা জেনিমসতা অশিবা হকচাং ওইনা থম্লম্বগী থৌওং অসি য়ানীংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

তূমদুনা লৈরিবা মীওই অমবু নমদুনা ফাদুনা পুখিবা থৌওং অসি হ্যুমেন রাইট ভাইওলেট তৌবনি। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা থৌবাল পুলিস কম্মান্দোগী পার্সনেল ৫মক থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা, ইমুং মনুংগী মীওই অমদা থবক পীনবা অমসুং এক্স গ্রেসিয়া পীনবা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা এ আর পার্সনেল ফানবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা লৌবনা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সী অমদি ইমুং মনুংগী অশাওবা কোকহনবা ঙম্লোই। মেজিষ্ট্রেল ইনক্কারিগী মহুত্তা থবক্তগী পোত্থারবা জজ অমগী লুচিংবা টিম অমনা জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌহনবনা মীহাৎ অসিগী অশেংবা মরী মখোঙ খঙবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা কুকি ইনপি মণিপুর (কিম), ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা), মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং পাৎশোই কেন্দ্র দিপলভপমেন্ট কাউন্সিলনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কুকি ইনপি মণিপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোখোলুন মাটেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টমাস হায়বসি ঈং-তপ্পা অমসুং অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা লোয়ননা ইমুং মনুং, মরুপ মপাং অমদি য়ূমলোন-কৈরোন্নবশিংগা নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকমিন্নবা মতমনি। খৃষ্টমাস কুম্মৈ পাঙথোকপগা লোয়ননা লোর্দ যিশু খৃষ্টগী পূন্নমকপু নুংশিবগী পাউজেল অদু শন্দোক্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

কুকি ইনপি মণিপুরনা নুংঙাইবা খৃষ্টমাস অমসুং হরাউ নুংঙাইবা অমদি ৱাত্ত-পাদবা অনৌবা চহী ২০১৯না লাকপদা য়াইফ পাউজেলসু পীরক্লি।

ইপসাগী সেক্রেটরি আই পি আর এস তোম্বীস্নানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টান লাইনীং চৎপা ইচিন ইনাওশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ খৃষ্টমাসনা লাকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াফবা, ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টমাসনা লাকপদা মালেমদা ঈং-তপ্পা পূন্নমকপু নুংশিনবা মীগা-মীগা কৎথোকপা, মীওইবশিংগী মরক্তা নুংশিনবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

এমসুগী জোইন্ট সেক্রেটরি বিজানেদা য়ূমখাইবম্মা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টান লাইনীং চৎপা ফুরুপশিংগী চহী অমগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ খৃষ্টমাসনা লাকপদা ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ ফুরুপ পূন্নমক মপুং ওইনা খৃষ্টান লাইনীং চৎপা ইচিন ইনাওশিংগী মফমদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

শেংলবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তা লাইনীং লাইশোন তিন্নদ্রবসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংশি চান্নবা অমদি মচিন মনাও ওইবগী মরী হান্নদগী হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাৎশোই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী ত্রেজরর এস গান্ধিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা মীপূম খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরক্লি।

কিশোরচন্দ্র ফাজিনবা য়ানীংদে : এমসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঝান্সি রানি লক্সমিবাইগী মপোক নুমিৎ থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ঝান্সি রানিনা ইন্দিয়াগী নীংতম্নবগীদমক লান্থেংনখিবা অদুবু মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লুবগীসু য়াওনা লান্থেংনখিবদৌনা ফোঙদোকখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুবগীদমক পাউমী কিশোরচান্দবু নেসনল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্লিবা অসি য়ানীংদে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এন এস এগী মখাদা কিশোরচান্দবু ফাজিন্দুনা থম্বা অসি মথন্তবু ফাজিন্দুনা থম্বা নত্তে হায়না লৌই। অফস্পাগী মখাদা মীওৎ মীনৈ তৌদুনা মীওইবা অমা ওইবগী হিংবগী রাইট মৎপিরবা মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা ফোঙদোকচনবগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনবু খোঙ্গাওনবা অমদি মচিন মেন্দুনা চহী অমা চূপ্পা ৱায়েলশঙদা মখা তানা ৱাকৎপা য়াদনবা এন এস এদা ফাজিনখিবগী থৌওং অসিগী থৌওং অসি লৈঙাক অসিগী অরানবা খোঙথাংনি।

সী এম বিরেন্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা কিশোরচন্দ্রনা লৈবাক মচা তাদবা ফজদবা ৱাহৈ শীজিন্নখিবা অদুদি এমসুনা য়ানীংদে। অদুবু ফজদবা ৱাহৈ ঙাওই হায়দুনা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদু অরানবনি অমদি লৈবাক ঈরাং থোকহনবনি হায়না মরাল শীজিনববুদি এমসুনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

কাদানা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রগকী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরূ ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুকশিং ওইনা থা অসিগী ২০দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাবম লমখায়দা লৈবা নোর্থ পোইন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খা পোৎশংবম মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা একাদেমিক এৱ্যেরনেস কেম্পেয্যন অমসুং খন্ন-নৈনবগী মীফমশিং পাঙথোকখ্রে।

নোর্থ পোইন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা একাদেমিক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা জেফর ঙাশাংবম প্রিন্সিপাল নোর্থ পোইন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমসুং নিঙোম্বম সোবিতা পব্লিক লিরেসন ওফিসর নোর্থ পোইন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। একাদেমিক কেম্পেয্যন অদুদা কাদাগী ফাইনান্স সেক্রেটরি গিৎচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, চোদাহিদেন মৈরা পায়বী অমসুং পোৎশংবম ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ৱেলফেয়র এসোসিএসন খা পোৎশংবম্মা পূন্না খূৎশম্মদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরম অসিদা খন্ন নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা হুইনিংশুংবম বসন্তি প্রসিদেন্ট কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা চীফ গেষ্ট, থিয়াম দিলিপ জিলা পরিষদ মেম্বর পোৎশংবম জি পিনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং পোৎশংবম উদোয়চান্দ সেনিয়র সিটিজন, মাইবম তোম্বা সেনিয়র সিটিজন, থৌদাম বলা মেম্বর ৱার্দ নম্বর ৮ নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং সাপম রোবিতা মেম্বর ৱার্দ নম্বর ৭ নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা খন্ন নৈনবা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈগী অরোইবদা *অমুনবা* উহৈ উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরিবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী অরোইবা নুমিৎতা ঙসি পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী লীলা *অমুনবা উহৈ* উৎখ্রে।

লীলা অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি লৈরেঙ্গাওগী মচানুপী অনী পোকচদুনা মমা য়াওদ্রবসু মচাশিংবু মহৈ-মশীন মতিক চানা তমহন্নবা হোৎনরি। মচানুপী অহল চীংলেম্বীনা মেত্রিক অমসুং টুয়েল্ব ক্লাসতা পোজিসন লৌনবা হোৎনদুনা মপাগী থাজবা ৱাংনা থমজখি। অদুবু লাইবক থীবদি ক্লাস টুয়েল্ব থাদ্রিঙৈদা অঙাংচানা লমখাংদা লৌবিখি অমসুং অশাউবনা মরম ওইদুনা মপানা মচানুপীবু ইন্থোকখি।

অমরোমদা মচানুপী অতোনবী য়াইফবী লাইরিক তম্বদা নাচংদনা হৌরক্লুবসু মপাগী নীংবা কায়বা পুন্সি অদুদগী শিংনদুনা অপোকপা মপাগী অনীংবা থুংহনগনি হায়না ৱাশকখি অমসুং নুংশি নুংওনগী তাঙ্ককপু তুংওইনরগা পুকচেল লেপ্পা মহৈ-মশীন তমদুনা কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন য়াওদুনা আই পি এস ওফিসর ওইনা থোরক্লগা এস পি ওইনা থবক তৌদুনা মপাগী পান্দম ফংহন্দুনা *অমুনবা উহৈ* ওইনা মহয় চাখিবগী ৱারীনি।

লীলা অসিনা পীরিবা পাউজেলদি লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমদুনা হৌরক্লবসু নুপী ওইবীশিংনা ময়ূম পানবা মতমদা শেন্থোক লৈতবা ইমুংদা ওংলুরবদি চন্নফম লৈতে। লোয়ননা শিংনবা অমা য়াওনা অচেৎপা ৱাশক্লা মাঙ থারগা হোৎনবদা ঙমদবা লৈতে হায়বদু মীয়ামদা উৎথোকপনি। লীলা অসি শুমাং লীলাগী ওইবা মচৎশিং কায়হনদনা শান্নবা লীলা হায়বদু ওইখি। লোয়ননা মীয়াম্বু কপ্পা, নোকপা অনীগী অৱাবা অমসুং নুংঙাইবগী ঈচেলদা তাওথহন্দুনা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবা মায় পাক্লবা লীলা অমা হায়বদু ওইখি।

লীলা অসি মনাওবী এম এমনা ইরগা অরুন য়ূম্নামচানা লমজিং লমতাকখি অমসুং পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না পুথোকপনি।

লীলা অসিদা নপাগী শক্তম লাংখিবশিংনা লৈরেঙ্গাওগী শক্তমদা ললিৎ হোদামচা, অঙাংচাগী শক্তমদা এম সুনিল (মাইবোয়), শামুঙৌগী শক্তমদা অরুনকুমার য়ূম্নামচা, মনিতোম্বগী শক্তমদা অথোকপম সন্তোস, ইবোমচাগী শক্তমদা টি রাগীৎকুমার, থোম্বগী শক্তমদা এস ইবোহনবী অমসুং সেলুংবগী শক্তমদা নাওরেম তম্ফাস্নানি।

নুপীগী শক্তম লাংলিবশিংনা চীংলেম্বীগী শক্তমদা য়ূম্নাম মিলন, তনৌবীগী শক্তমদা ৱারিবম তোলমনি অমসুং য়াইফবীগী শক্তমদা সেঞ্জম দিপসননি।

ঈশৈ নোংমাইদা নুপাগী খোঞ্জেলদা জীৎকুমার, নুপীগী খোঞ্জেলদা রোমাজিৎ, বাঁসি-সেরাম রোমাজিৎ, কি বোর্দ - এল সুরচন্দ্র, গিটর - এম রোবার্ট, পেদ দ্রম - এন তম্ফাস্না, টবলা - লাইমুজম বিনো অমসুং ম্যুজিক দিরেক্টরনা এস রোমাজিৎ অমসুং এস সুরচান্দনি।

মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সেন্তর ওফ মেদিকেল এন্দ সেলস রিপ্রজেন্টেটিভস য়ুনিয়ন (সী আর য়ু) ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা অনীশুবা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভসকী কনভেন্সন ঙরাং লম্ফেলদা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, নিংঙোম্বম দিলিপকুমার প্রসিদেন্ট সী আর য়ু ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট, ডো. সী ঐচ অরুনকুমার মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট রিমস, ডো. এল রনবির মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট জেনিমস, কাংজম শাগর মৈতৈ জোইন্ট সেক্রেটরি এ আই ও সী দি, এন ঈ আর পোৎশংবম সোনামনি রিটয়র্দ সেনিয়র এস পি গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দ অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট, কে এস ঐচ শান্ত সেক্রেটরি সী আই টি য়ু মণিপুর, রাহুল পুরকায়াস্থ জেনরেল সেক্রেটরি সী আর য়ু, এন ঈ আর অমসুং আর কে রাকেস প্রসিদেন্ট এম সী দি এনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, মেদিকেলগী লাইন অসিদা ঐগীদি নোলেজ লৈতে। অখঙ অহৈ, সেনিয়র ডোক্তরশিং ইয়াম্বাশিং ডো. অরুনকুমার অমদি ডো. রনবিরনা ফজবা সজেসনশিং পীবিয়ু।

পোকপা অমদি শিবা হায়বসিদা অনাবা হায়বসি শোয়দনা লাকপনি অমদি হীদাক হায়বা অসি চাদবা য়াদে। মতিক ময়াই লৈবা হীদাক মণিপুরদা ফংহন্নবা তঙাইফদবা পোলিসি অদুসু তৌহন্নীংই। মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী অকক্লবা মিনিমম ওইবা তোলোপ পীবা হৌখ্রে হায়বসি তাবদা য়াম্না নুংঙাই। ঐহাক ইশা অসি গভর্ণমেন্টকী দিসিজন মেকিংদা য়াওবা নত্তবনিনা ঐনা তৌনীংই হায়না তৌবা থবক অদু এপ্রোপ্রিএট ওইবা হায়বদু ওইদে। অদুবু ঐহাক্লা ঙম্বা মতেং পাংজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সী আর য়ু ইম্ফালগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম প্রবিনকুমারনা হায়খি, মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভনা লৌরিবা থৌদাং অসি কনাগুম্বনা হান্না লৈরম্বা ইথিক্সতগী খরা কায়রকপা মানবা কয়া তৌরকপদগী ওর্গেনাইজেসন অসি লৈতবা তারগদি মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা চৎপা মতমদা ৱাকৎ ময়াম অমা লাক্লগদি মদুদা নুংঙাইতবা থোক্তনবগীদমক্তা ওর্গেনাইজেসন অসিগী ওইরবদি তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিং অদু খঙমিন্নবা তারগদি খুন্নাই অসিদা তোপ তোপ্পা ফিদা অমা থম্বা য়ানবগীদমক মমাঙ চহীগী জুন ১১দগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরগা চঙশিনজরকপনি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লাইফ সেবর মণিপুর, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক ইম্ফাল, ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকা পাইওনর ক্লব লমদেং মখা লৈকায়গা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা লমদেং মখা লৈকায়দা লৈবা পাইওনর ক্লবকী বিল্ডিংদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রী হেলথ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): য়ুথ এদভেঞ্চর ফোর রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (ৱাই এ আর দি) না শীন্দুনা থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা দি আই সীদা নোংমগী ওইবা ফ্রী হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মীওই ৭৫ রোমগী হেলথ চ্যেক-অপ তৌখি অমদি হীদাক লাংথকশিং দিরেক্টরেট ওফ হেলথ সার্ভিস অমসুং দিরেক্টরেট ওফ আয়ুসনা পীরকপশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): থোংজু কেন্দ্র কংলৈ বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর য়ুনিয়ননা শীন্দুনা থোংজু এ সীগী এম এল এ, জিলা পরিষদ, প্রধান্নচিংবশিংগী শেলগী মতেং পাংদুনা লুপা লিশীং ৬০ রোম চঙনা শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায় তোর্ব্বান্দা থা অসিগী ২৩দা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): অচিবা ঠিএটর এসোসিএসনগী ৪১ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইখিবী য়ু এম ওগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সোরোজিনিনা ফোঙদোকখিবদা, অচিবা ঠিএটরনা মীয়ামদা পীরিবসি পুৱারীগী তাঙ্কক্তা লৈরিবা অরিবা নুংলোনগী কয়াবু পুথোক্তুনা মীয়াম্বু ৱাখল তামিন্নবনি। ফুরুপগী ওইবা নুংশি-চানবগী ওইনা ভেলি রোজগী প্লে পুথোকখি। মসিনা চীং-তমদা চাওনা লাপ্নরিবা অদু নকশিহল্লিবনি। অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা আর্টিষ্টনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। নুং অমসুং পানগী ওইবশিং পুথোক্লগা য়েংবনি। মৈহৌরোলগী ওইবা মশক তাকপা চঙলকই। অচৌবা থৌদাং লৌরিবা আর্টিষ্টপু ইকাই খুম্নফম থোকই। মহাভারত, মহাদেব, কৃষ্ণনচিংবা কয়াগী প্লেদা মতেক মতেক টি ভি চেনেল কয়াদা শন্দোক্লি। ঐখোয়গীসু শক তাকপা অমা চঙলি। ঐখোয়গী লৈজরক্লবা পুৱারী কয়াগী প্লে পুথোক্তুনা টি ভি চেনেল কয়াদা শন্দোকপা মতমদা মীয়াম্না মশক তাক্কদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এল এম সনা এৱার্দি, পুখ্রম্বম শরত সোসল ৱার্কর অমসুং আর কে সোমরেন্দ্রো এলায়স কাইকুসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL EAST

PRESS NOTE

Imphal the, 24th of December, 2018

No. 01/596/TA/2018/JNIMS: It has been reported in local daily "Sangai Express" and certain other print media on 24/12/2018, that Teachers Association, JNIMS has lined up series of agitation including complete shutdown of JNIMS from January 3, 2019, if the JNIMS authorities failed to provide any positive response regarding long standing demands of the Teachers Association.

2. It is being clarified that, consequent upon the approval of the 26th Governing Council , JNIMS in its meeting held on 10/08/2018 and of the ex post facto approval of the State Cabinet in its meeting held on 04/12/2018 , a promotion scheme to benefit the regularly appointed Senior Residents / Tutor/ Lady Medical Officer of both JNIMS and Dental College of JNIMS , has been notified as Time Scale Promotion (Regularly appointed Senior Residents/Tutor/Demonstrator/Lady Medical Officer possessing post graduate Degree)Rule,2018, to address the stagnation of the Senior Residents /Tutors/Lady medical Officer by giving promotion to the post of Assistant Professor of not more than 50% of the eligible Senior / Tutor/Demonstrator/ Lady medical Officer to be promoted in a year.

3. With regards to the demands for implementation of the pension scheme, The State Government vide Order No. 12/77/2016-M(JNIMS), dated 19/03/2018 have extended the benefits of National Pension scheme (NPS) for bonafied regular employees of JNIMS w.e.f. 18/12/2007. Concurrence of the Finance Department to the same, has also been accorded vide their U.O. No. 249/2018-2019/FD(PIC), dated 14/12/2018.

4. With regards to Old pension scheme, it is under active consideration by a 3(three) member Committee under the chairmanship of Chief Secretary, Manipur.

5. Other demands of the Teachers Association being :

a) Reservation of PG seats for Non PG Teachers of JNIMS
b) Promotional avenues for Non PG Senior residents, Tutors, Demonstrators, Lady Medical Officer, Casualty Medical Officer s of JNIMS
c) Absorption of Tenure Senior Residents /Tutors/Demonstrators/Lady Medical Officer.

are going to be placed before the next Governing Council meeting as desired by the Hon'ble President, JNIMS Society.

6. Since JNIMS authority are taking almost all possible means to solve the problem of the employees and JNIMS being a lone State run Medical College and Dental College, which caters to the needs of thousands of poor patients coming from different parts of the State and also in view of the forthcoming MBBS University examination scheduled from 03/01/2019, it is my humble appeal to the members Teachers Association, JNIMS , not to resort to any form of agitation including strike or shutdown of JNIMS hospital which may affect the services rendered to the general public of the State and alAso the students who are facing University Examinations from 03/01/2019.

This is issued in the interest of the Students, guardians, all employees of JNIMS and the general public at large.

Sd/-
Prof. Th. Bhimo Singh
Director, J.N. Institute of Medical Sciences

HL-B/5081/25

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5056/15/12-16/1

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
ADVANCED
FOUNDATION COURSE
CLASSES XII & X
Classes commencing from 14th January 2019
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019-20exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2020 final exam.
Seats are limited
First come
First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4983/23-31(Alt)

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ENROLMENT OPEN FOR
TEST SERIES 2019
NEET (Medical) & JEE-MAINS (Engineering) 2019
Date of Form Issue 24/12/2018
For details please contact
COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning
HL-B/5079/24,25,28&30